# খুন্নাইসি করপসনদা লোইশিনহনবীগনু



অচুম্বতনা মায় পাক্লকখিগনি

কর্নেল হাওরোংবম সরত (রিটাইয়র্দ)

শোখরবশিংদা কখোকচবা

মালেমগী অঙকপশিংগী মরক্তা ইমা লৈবাক মণিপুর অসিসু অঙকপা মফম অমনি। ইরমদম ইমা লৈবাক অসি করপসনগীদি স্বর্গনি। থবক অমত্তদা করপসন য়াওদবা লৈতে। মীওইবা ঐখোয়না খল্লুদবা, উরুদবা, তাদবা, পাঙথোক্তবা থবকশিং মফম অসিদদি তারি অমসুং উরি। ঐখোয়গী খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্কী কলচরদি, চৎনবীদি, চৎন-কাঙলোনদি, হিংবদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎশক্তি করপসন হায়বা মহৈসিনি, লাইৱাসিনি। হিংনবগী শিদা হীদাক্লি। ঐখোয় খুদিংমক্কী লূ-তোংদা, ঈদা করপসনগী শিংলি পাল্লগা করপসনগী মহিকশিংদু চেলহল্লি। করপসন হায়বসি ঐখোয়গীদি ঈশিংনি, চাকনি, এঞ্জাংনি, নুংশিৎনি, মৈনি, ঈজৎনি, করেক্টর শুকয়াও য়াওদ্রবা মীদু খ্বাইদগী অফবা মীনি হায়দুনা মীয়াম্না য়োল্লি। করপসনগী মহিক মপী অদু খ্বাইদগী মীথোই-মীহেনবনি হায়না ঈরাৎ পুজা তৌনরি।

করপসননা ওক্তবা-ওক্তবী মীশিংবু উৎনা-ৱাইনা খুমজিল্লগা মতম শাংদোকহল্লগা অফবা-অফবীনি হায়দুনা অদুম উৎথোক্লি। করপসন য়াওদবা মীদি অপঙবনি, মীরেমনি হায়না মীয়াম্না লৌনরি। খুন্নাইসিদা করপসন য়াওদবা থবক থৌরম অমত্তা মায় পাকপরা য়েংবীয়ু। মালেমসিদা খ্বাইদগী হেন্না করপসন ৱাংবসি লমদম অসি শোয়দনা ওইরমগনি।

ঙসি খুন্নাইসি লৈখা তানা মাঙদুনা লৈরিবসি করপসনননি হায়বসি ঐখোয় অয়াম্বনা খন্থবা ঙমদ্রে। থায়নদগী হৌনা করপসন অসি মথং-মথং পাঙথোক্তুনা লাক্লি। হৌজিকসু ঐখোয় অয়াম্বনা খঙন-খঙনা করপসনগী থবকসি অরোইবা লৈতনা পাঙথোক্লি। ঐখোয়বু অতোপ্পা কাঙলূপ্পা উশিৎ-থৌওইদ্রিবসি করপসনননি হায়বসি খন্থবা ঙমদ্রি। খুন্নাই অসি লোইগদৌরিবসি করপসনননি হায়বসি ঐখোয় খন্থফম থোক্তব্রা?

খুন্নাইসিদা মালেমগী অতোপ্পা মফম অমত্তদা উররোইদবা, তাররোইদ্রবা থবক-থৌরমশিং উরি। মসিগী খুদমদি মশীং থিবা ঙমগদৌবদি নৎত্রে। খ্বাইদগী নৌনা থোক্লিবা থৌদোক অমত্তং ঙসি ইজগে।

হৌখিবা এপ্রিল ১৯, ২০২৪দা এম পি ইলেক্সন পাঙথোকখিবদু অমুক্তা নীংশিংলগা খন্থমিন্নসি। ইলেক্সনগী ৱাখল মচেৎ অমত্তা খঞ্জখিদবা ঐহাকপু মীয়াম্না কেন্দিদেট ওইনা থোকপীয়ু হায়না হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়বদগী থোকউরে। ঐঙোন্দা কেন্দিদেট ওইয়ু হায়খিবা মীওইশিং, কাঙলূপশিং য়াম্না য়ামখি। লৈবাক্কীদমক খরতা ওইরবসু অফবা থবক পাঙথোক্লমগে খল্লগা য়াখিবনি। মণিপুরগী মফম খুদিংদা মরু ওইনা চীংয়া-তময়াদা কয়ারক হন্না চৎলগা ৱানা হিংলিবা মীয়ামগীদমক হোৎনজগে খল্লগা চৎখি। মখোয় খরনা হায়বীরকখি - ঙসি ফাওবদা এম পিগী কেন্দিদেট অমত্তনা মখোয়গী খুঙ্গংদা লাকখিবা কনাসু য়াওখিদ্রি হায়বিরকখি। মীয়ামগী থম্মোয়বু ঐগী থম্মোয়না নুংশিজখি। অদুবু পূম্নমক ময়ামদো করপসনগী খ্বাইদগী অরাইবা পান্থে ওইরিবা মহাত্মা গান্ধী য়েকপা চে মচেৎ অদুনা হুমদুনা পুখি।

খ্বাইদগী য়াম্না মীয়াম্না ভোট পীখিবা কেন্দিদেটশিংদু শেল য়েনখিবা কেন্দিদেট ঙাক্তনি। মণিপুরদদি কুমজা ১৯৫২দগী ইহান হান্না ইলেক্সন পাঙথোকখিবা মতমদুদসু কোংগ্রেস পার্টিগী কেন্দিদেটনা লুপা ৫ য়েনখি। লুপা ৫ য়েনবা কোংগ্রেস পার্টিগী কেন্দিদেটনা মায় পাকখি। অফবা নৎত্রগা ফত্তবা কেন্দিদেট অদু শেলদা লেপখি। হৌজিকসু করপসনগী চৎনবী অদুম চত্থরি। মসি শুংলেং লেংদ্রবা কলচরনি, চৎনবীনি।

মীয়ামসু য়াম্না কুপ্না খন্নবীয়ু। জুন ৫, ২০২৪দা পাউচেশিংদা ফোঙলিবা এম পি ইলেক্সনগী ভোট মশীংদু খরা কুপ্না অমুক্তা খন্থবীয়ু। ঐহাক্কীদমক ভোট থাদবীখি হায়রিবদু য়াম্না মুন্না কুপ্না ক্রিটিকেল এনালিসিস তৌবীয়ু। মসিবু ওইবা য়ারিব্রা হায়বদু। খুরাই, ক্ষেত্রিগাও, পাৎশোই, ময়াং ইম্ফাল, কুম্বী (এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি মঙা) দা ঐঙোন্দা ভোট মশীং ৩৩/৩৩ থাদখি হায়না ফোঙবীরি। অসিগুম্বা মওংসি মালেমগী অতোপ্পা মফম অমত্তদা উরোই। এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি মঙাদবু চপ মান্নবা ভোট মশীং ৩৩ ফংবা হায়বসি ওইথোক্কদৌবা থৌদোক ওইহল্লে। মসি শেমদোক-শেমজিনবা থবক্লি। অশেংবা থৌদোক নত্তে। ঐহাক আর্মি সর্ভিসকী মতমদা Intelligence Corps কী থবক চহী ৪ হেন্না তৌজরকখি। করপসনগী খুন্নাই অসিদদি অসিগুম্বা লীলাসি শান্নরি। মসিমদি শোয়দনা নীংশিংবীয়ু। ফত্তবশিংগী অরোইবা মতম অমদি শোয়দনা লাকখিগনি। খিৎ হেনমনখ্রে। মপূগী দন্দিদু নখোয় শোয়দনা ফংবা ওইয়ুকো।

লম্লাই, থাংমৈবন্দ, মোইরাংগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অহুমসিদনা ভোটর মশীংসি ৪৮ খক উৎলি। থোংজু অমসুং নম্বোল এ সী অনীসিদনা ভোটর ৩২না থাদখি হায়রি। হৈঙাং অমসুং লিলোংদনা ভোটর মশীংসি ২৭নি উৎলি। অদুগা উরিপোক অমসুং ৱাংখেমদনা ভোটরসি ২৯নি হায়রগা উৎলি। ভোটরগী মশীংসি য়াম্না ঙক্লিংঙাই ওইরি। জপানদগী শারকখিবা ঈ ভি এমনি। জপানদি বেল্লোট পেপর শীজিন্নে ইলেক্সনদা। ফিগরদা শেমদোক-শেমজিন তৌরিবসিনা খুন্নাইসিগী করপসনগী হংলাইননি।

ফত্তবা পাঙথোক্লিবা নখোয় পূম্নমক মসিমদি ময়েক শেংনা ইজরমগে- নখোয়গী তুংগী পূন্সিদা করিসু অফবা ওইরোই হায়বসিনি। করম্না নখোয় পূম্নমক্কী পূন্সি লোইবগে হায়বদুদি মতমনা শোয়দনা উৎলকখিগনি। থোইনা শাংনা ইজররোই। ঐহাক্কী মাঙজবা করিসু লৈতে। পূন্সি শাংনা, নুংঙাইনা লৈনবা লম্বী শেম্বনা ফরে খঞ্জরে। হোৎনজরম্বা পূম্নমকসি ইমা লৈবাক্কীদমক অমসুং ৱানা হিংলিবা মীয়ামগী খল্লগা হোৎনখিবনি। ইরিবা অসিগীসু অরোইবা নুমিৎ শোয়দনা লাকখিগনি।

অরোইবদা হায়জনীংবা ৱাফম অমত্তংদি - ঐখোয় পূম্নমক শিগদৌবা ঙাক্তনি। শিখ্রগা নীংশিংহৌগদবদি অফবা থবকশিংদু পাঙথোক্লম্বা মীশিং অদুতনি। পোক্লফম লমদম অসি য়াম্না অফবা, মিংচৎ লৈবা, মীতোপ্পা ইকায়খুম্নবা, মালেমগী তমজনীংঙাই ওইবা মফম অমা ওইহন্নীংই। মীয়াম্না ৱারৌবীগনু ৱাহৈ-ৱাতা অকনবা শীজিন্নখ্রবসু। ফহন্নীংদুনা থম্মোয়দগী ইজখিবা ঙাক্তনি। মীয়াম্বু খুরুমজরি। ●

# অনৌবা লীলা কাঙবু অমা

- খোইস্নাম ধিরেন মীতৈ -



মতম অমদা ইম্ফাল কোলেজগী মখা থংবা কম্পাউন্দগী শরুক্লা অহাঙবা লম্পাক ওইরিঙৈদা লাইরিক তম্বা লাকপা মহৈরোয়শিং নুংশা য়াইরগা ফমদুনা য়াম্না লৈনরম্মী। মদু উবদৈ নোক্লৱাগী লাইপোক, ওজা জি সী তোংব্রানা কোলেজগী ফঙ্কসন অমদা হায়খিবা ৱানি - নখোয়দি নহানিনা নুংথিল অমা লম্পাক্তা ফমদুনা নুংশা য়াইবদা করিমত্তা পাখৎলম্লোই। ঐখোয়দি অহলনিনা ফক্লাং ঘড়ীগী সেকেন্দ কতানা তেক...তেক... চৎপা উবদা পাখৎলে। ৱাহৈসি নোক্লিংই। নহা ওইরিঙৈদা পঙবগী নোক্লিংখিবদু হৌজিক অহল ওইরক্তুনা ইশু ফংলবা মতমসিদা খঙলকপগী পাখৎলকই। হৌজিক নহা ওইরিবশিংসিসু ইরমদমসিদা চহী অমা হেন্না নোংমৈ কাপ্তুনা লৈবসি করিমত্তা পাখৎলম্লোই। নহাদগী খজিক লৈশিল্লক্লগা য়ূম লিংলবা মীশিংদি য়ূমগী ফক্লাংদা থেৎপা কেলেন্দরনা থা মথং-মথং লোইশিল্লকপদা ৱাখল অমা ফাওরক্লিবনি। কেলেন্দরগী থা তরানিথোইসিনা তরামুক লোইশিল্লকপা অদুৱাইদা হায়বদি ঙসিদগী থা মরিমুক লৈরগা ওক্টোবর য়ৌরকপা অদুৱাইদা মথং চহীগী অনৌবা কেলেন্দর অমমুক য়োনবা লাক্লনি। কেলেন্দর অনৌবা য়োনবা লাক্তৌবা কুইরক্ত্রেকো হায়বসিদা খল্লুবদা পাখৎপা ফাওরক্লগনি। অনোক উপত্রবদি লাইরিক ময়েক পাবা নুংঙাইরক্তবা, পেরুক কাংসু চাবদা য়ারক্তা চঙমন্দুনা মহাও লৌফম খঙলক্তবা পূন্সিগী তাঙ্কক অসি য়ৌরকপদা ফক্লাং ঘড়ীনা চৎপসু পাখৎকনি। ইশুনা চাউখৎলকপা উবদসু পাখৎকনি। হায়দোক্তবগী ৱাতনি।

ঐখোয়গী মন্ত্রি-মন্দলশিংসু নহা য়ঙ-য়ঙ লাওরিবা ঙাক্তনিনা (মশানা খঞ্জবা) ফক্লাং ঘড়ীগী কতানা চৎপদসু পাখৎলম্লোই। কেলেন্দর অনৌবা য়োনবা লাকপদসু করিমত্তা কিজরম্লোই। কুকিনা চহী অমা হেন্না নোংমৈ কাপ্তুনা থবক অমত্তা শূদবদা করিসু পাখৎপা পোক্ত্রি। নুংঙাইরি। অশোনবা মীয়াম্না কিজরে হায়বদা মখোয়দি হৌজিক নহা ওইরিবনিনা নোক্লিংলি। অদুবু মখোয়সু খরা লৈরগা ময়া য়াপঙ অনী/অহুম শৎখ্রবা মতাং মন্ত্রিকা ওইদ্রবা মতমদদি পাখৎপা শোয়রোই। ঐনা পাখঙ ওইরিঙৈদা নোক্লিংনা তাখিবা ফাগিদু হৌজিক য়া নাকল অমা ঙা অকনবা শাইবদা নারক্লবা, অথোঙবা মতুম অমতং চাবদা য়ারক্তা মশিং চঙমন্দুনা মহাও খঙনা চাবা য়ারক্ত্রবা মতমসিদা ফাগিদুগী ৱাখল তারকপনি। কোক মনুংদা চঙলকপনি। হৌজিক্তি ঙসিসু কিজরে, হয়েংসু কিজরে। কিজদবা অমত্তবু লৈরক্ত্রে। কিজবা ঙাক্তা ঙাইরকপদৈদি ফাগিগী লাইপোক ওজা জি সী তোংব্রানা হায়বীখিবা - ফক্লাং ঘড়ীগী সেকেন্দ কতানা তেক... তেক... চৎপা উবদা পাখৎলে হায়খিবদো হৌজিক্তদা পেন্না নোক্লিংলকই। অশেংবা ৱাদুনা ঙাইহাক নোকহল্লগা ৱাহন্থোক্লা পূন্সিগা পূন্না লৈমিন্নরম্লে। হৌজিক কুকিগী লানদা মীচম মীয়াম্না ৱারবসু নোক্লিংলিবা মন্ত্রি মন্দোলশিংসে কুকিগী লান অসিগী ৱাহন্থোক্কা পূন্না হিংমিন্নগনি হায়বসি হয়েং শক্তি লৈত্রবা মতমদা ময়েক শেংলক্কনি। মতমদুদদি নোকপদৈ হনগৎলক্তবা হায়বদু ওইরনি।

মীকুপ খুদিং অকিবা পোক্লবা মীয়ামসে হৌজিক করিমত্তা কিজদ্রিবা লৈঙাকপশিংনা নুংঙাই নুংঙাইবা ফাগি তৌবদৈ পোত্থাজরি। অৱাবগা নুংঙাইবগা মচিল মনাওনি হায়বনিনা অৱাবা মীয়ামগা নুংঙাইবা লৈঙাকপশিংগা ইরমদমসিদা মচিল মনাও ওইনা পূন্না লৈমিন্নরি। তুরেল তোর্ব্বান কায়দুনা ঈশিংনা য়ূম থুমজিল্লকপসিগী চপ চাবা মরম ঊচিননি হায়না মিনিষ্টর সুসিলদ্রোনা লৈবাক মীয়ামদা তাকপীরকপদা অৱাবা মীয়াম ঙাইহাক নুংঙাইহল্লি। নোকহল্লি। ৱাহৈদু হায়বদা মশামকসু হায়ফেৎ নোকচখি হায়না খঞ্জে। মিনিষ্টরনা খরগা কুপথনা য়েংশিল্লগা তুরেল তোর্ব্বান কায়রক্লিবসি ৱাহিক হায়বা ময়া য়াম্না থৌবা তিন মচা অদুসু য়াওরম্লে হায়দুনা মীয়ামদা অমুক ৱাখল তাহল্লকপা য়ারি। নুমিৎতুমদি ৱারবা মীয়াম্না ফজনা নোকচগনি। ফাগি ফজনা পুরবা লৈঙাকপশিং ওইরম্বগী ঐখোয় মীকুপ খরা ওইরবসু পোত্থাবা ফংলিবনি। হৌজিক লৈঙাক পুবিরিবা ফাগিরোই ময়ামসিনা মনুং মতম চাদনা থবক্তে পোত্থাখ্রবদি ঐখোয় নোকপা ফংদ্রবসু য়াই। মতমদুদা মীয়ামগী খনবীরগা লীলা কাঙবু অনৌবা অমা শেম্বীদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌবীরক্লবদি য়াম্না কুইনা মখোয়বু নীংশিংদুনা লৈহৌগনি। ●

# লমদমসিগী খূৎহৈবীশিংগী খুদোল ওইনা, শাফি-লানফি - ১

- মাইস্নাম ললিনী -

শাফি-লানফি হায়রিবা চরৈ ফি মখল অসি মণিপুরীশিংগী য়াম্না তাঙলবা ফিশা-লোনশাগী লম্‌দা খূৎহৈরবী মণিপুরগী নুপীশিংনা খূৎনা লোন্দুনা পুথোকচবা লমদম অসিগী ময়েক থোকপা ফি মখল অমনি হায়না অহানবমক্তদা অসুম্না থমজনীংই। মমাঙঙৈ মতম অমদা শাফি-লানফি হায়রিবা চরৈ ফি মখল অসি নিংথৌগী মনা ফি ওইনা হায়বদি ইন্নবা ফি অমা ওইনা শীজিন্নরম্বা ফি মখল অমা ওইজরবসু ঙসিদি হায়রিবা ফি মখল অসিগী ময়েক লৌদুনা মতমগী য়াওল মতুংইন্না মখল কয়ামরুমগী ফিরোলগী ওইবা পোত্থোক কয়া পুথোক্লরক্লে। মরম অদুনা চেখল অসিবু ইজরিবী ইশামক্লা ফি অসিবু চাওখৎহন্নবা হোৎনজরকপদা চহী ৫০ হেন্না লম্‌ অসিদা চঙশিঞ্জরকপদা ঐনা থেংনজরকপা কয়া, অহল-লমনশিংনা থন্বীরম্বা কয়া অমদি ফি মখল অসিগী হৌজিক-হৌজিক ওইরিবা ফীভম কয়াগী মতাংদা ঐহাক্লা খঙজবা খরদং মচা খায়না মীয়াম হুপ্না খঙমিন্নহৌবগী পান্দমদা চেখল অসিবু ইথোকচবনি।

চেখল অসিবু ইজরিবী ঐহাক্লা ইশাগী চহী ১০ শুদ্রিঙৈ য়াম্না পীক্লিঙৈ, মীরোল হেক তারকপা মতম অদুৱাইদগী হৌরদুনা ঐগী অপোকপী ইমা লৈখিদ্রবী মাইস্নাম কৈনাহল (মতম অমগী শাফি-লানফিদা ষ্টেট এৱার্দ ফংবীখিবী), ঐগী ইমাদগী ফি মখল অসিগী লোনবা-শাবগী মহৈ অসি ইহান হান্না তমজরকখি। তশেংনমক্তি ঐগী ইমাগী মরীদা য়েংলুবদা চহী চা কয়াগী মমাঙদগী হৌরদুনা ফি মখল অসিবু লোনবা-শাবগী থবক অসিগী চৎনবী অমা মথং-মথং অসুম চত্থরকপনা ঐহাকসু ইমাগী মতুং ইন্দুনা য়াম্না নৌনা লম্‌ অসিদা খোঙদাজরকখি। মসিগীসু মথক্তা ঐগী ইনাওনুপী লৈখিদ্রবী মাইস্নাম নিঙোল অনিতাসু হায়রিবা শাফি-লানফি লোনবগী লম্‌ অসিদা খোঙদারক্তুনা মহাকসু ষ্টেট এৱার্দ ফাওবা ফংলমখি। অদুবু ঙসিদি ঐহাক্লা ইমানা তম্বীরম্বা শিন্থা অসিগী ফিশারোল কয়াবু ঙাক্তুনা অসুম চত্থজরকপনা মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজনা শকখঙবীদুনা কুমজা ২০০৮-২০০৯দা ষ্টেট এৱার্দ অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলনা কুমজা ২০১৯দা নেসনল এৱার্দ পীবিরকখি।

অসুম্না চহী ৫০ হেনবা মতম অসিগী মনুংদা ঐহাক্কী পূন্সিদা থেংনজরকপা শাফি-লানফিগী মরমদা হান্না ওইরম্বা অমদি হৌজিক ওইরিবা মশক কয়া অসিগী মতাংদা মখা তানা অমুক শুগায়না খরদং নৈনদুনা য়েংমিন্নসি।

**ক) শাফি-লানফি হায়বসি করিনো ?** শাফি-লানফি হায়রিবা চরৈ ফিদা মখল অসি কুমজা ২০১১গী দিসেম্বর ১৯দা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ত্রেদ রিলেটেদ এস্পেক্স ওফ ইন্টলেকচুএল প্রোপর্টি রাইটসকী জিওগ্রাফিকেল ইন্দকেসন এক্ট ১৯৯৯গী মখাদা জি আই টেগ নম্বর ৩৭১ ফংখ্রবা য়াম্না তাঙলবা লমদম অসিগী খূৎনা লোনবা ময়েক থোকপা ফি মখল অমনি হায়জনীংই। হায়রিবা চরৈ ফি মখল অসি লমদম অসিগী পুৱারীদা নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতম অমদা মীতৈ লান্মীশিংনা করিগুম্বা লানফম অমা চঙলুবদা মায় পাক্তুনা হল্লকপদা মনাই লান্মীশিং অদুদা লৈবাক নিংথৌনা মনা ফি ওইনা খুদোল পীরম্বা ইন্নবা ফি মখল অমদি ওইরম্মী। অদুবু ঙসিদি হায়রিবা নিংথৌগী মনা ফি ওইরম্বা চরৈ ফি অসিদা লোল্লিবা শাফি লানফিগী ময়েক কয়া অসিনা অনৌ-অনৌবা ফিরোল মখল কয়ামরুমদা লোন্দুনা পুথোক্লরে। মরমদি শাফি-লানফি হায়রিবা ফি মখল অসিগী তোপ-তোপ্পা মশক তাক্লিবদি ফি অসিদা লোল্লিবা ৱাহন্থোক্না য়োল্লবা ময়েকশিং অসিবুনি হায়জনীংই।

অদুম্নদি ওইরগা হায়রিবা চরৈ ফি মখল অসিবু শা-লান্দা মায় পাক্লকপা মতমদা নিংথৌনা খুদোল ওইনা পীনবা ফিনি হায়বগীদমক 'শাম্মী-লান্মী' অমদি অমুবা মচুগী ফি ওই হায়বগীদমক 'ফিমু-লানফি' হায়নসু খঙনরি। অসুম্না মরমশিং অসিদগী চরৈ ফি মখল অসি মহৌশানা য়েলহৌঙৈদগী হৌরদুনা শা-লান্দা নৎত্রগা অকল-অথৌশিংগী ওইবা য়াম্না চীং-লেমজনীংঙাই ওইরবা ফি মখল অমনি হায়বা ময়েক শেংনা অদুমক তাক্লি।

**খ) শাফি লানফিগী হৌরকফম :** শাফি - লানফি হায়রিবা মণিপুরগী তাঙলবা চরৈ ফি মখল অসিগী হৌরকখিবগী ৱারী অসি লমদম অসিদা মৈহৌরোলদগী খুন্দারক্লবা খোইস্নাম শাগৈগী পুৱারীগা খক তৎনা-থানা য়াদ্রবা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনদুনা লাক্লি। হায়রিবা ৱাফম অসি **'লোয়ুম্বা শিনয়েন'** হায়রিবা লাইরিক অসিদগী ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লি।

হায়বদি খৃষ্ট কুম ১০৭৪-১১২২দা লমদম অসিদা পানখিবা মৈদিংঙু লোয়ুম্বগী সনা হাক্তক্তা লমদম অসিদা খুন্দারিবা শাগৈ খুদিংমক্কী মাগী-মাগী শিনলম-শিন্থা য়েল্লকপদা, খোইস্নাম শাগৈগী ওইনা **'পেতংঙা'** কৌবী লাইরেম্বী ইমা অদুবু ঈরাৎচবা তাখি। হায়রিবা মতম অসিদা খোইস্নাম শাগৈদা মীওই-লাইওই তৌবী **'তম্ফাতোন'** কৌবী ইবেন্ধৌ অসিনা লাইনিংথৌ নাওথিংখোং পাখংবদা খোইবু ময়েক থোকপা থৱান্মীচাক লোন্দুনা চরৈ ফি অমা শাদুনা কচ্চরমখি। হায়রিবা খোইবু ময়েক অসিবু খোইবু নোংমাই নিংথৌগী মশাইগোন্দা থুপ্তুনা লৈ হায়বগীদমক **'খোইবু ময়েক'** হায়না খঙনরকখি। হায়রিবা মতম অসিদা অমুক, খোইস্নাম শাগৈগী মজাইবেম্মা অহুম লৈরমখি, হায়রিবা মজাইবেম্মা মখোয় অহুম অসিনা লাইনিংথৌ নাওথিংখোং অমদি ইবেন্ধৌ পেতংঙা অনীগী হরাওবা মতমদা শা-ঙা থোকপা ময়েক্কী চরৈ ফিবু শাদুনা কচ্চরমখি। মতৌ অসুম্না, হায়রিবা মতম অসিদগী হৌরদুনা লমদম অসিদা শা-ঙাগী ময়েক থোকপা শাফি-লানফি হায়রিবা চরৈ ফি মখল অসি লাই-তিনগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা শীজিন্নবা হৌনরক্লে হায়বা ৱারী অসিদগী ঐখোয়না ময়েক লারবা খুদম অমদি ওইরি। অদুম্নদি ওইরগা, হায়রিবা মতম অসিগী **'খোইবু ময়েক'** হায়রিবা ময়েক অদুদি মখা তান্নদি অদুমক লোন্নখিদ্রে হায়না অহল-লমনশিংনা তাকপীরম্মী।

মতৌ অসুম্না খোইস্নাম শাগৈগী ওইনা লাই-তিনগী ওইবা থৌরমশিংদা মপূং ওইনা শীজিন্নরম্বা চরৈ ফি মখল অসিবু খৃষ্ট কুম ১৮৫০-১৮৮৬তা পানখিবা নিংথেমপিশক হায়নসু খঙনরিবা চন্দ্রকৃত্তি মহারাজগী মতমদনা অমুক হায়রিবা খোইস্নাম শাগৈ অসিদা শাফবা কৌবা ইবুধৌ অমা লৈরমখি। ইবুধৌ অসিনা অদুঙৈ ইবেন্ধৌশিংনা লোন্দুনা থন্বীরল্লিবা চরৈ ফি অসিবু লৈবাক নিংথৌ য়াওনা শাদানবা চৎপদা ইন্দুনা লাক্লমখি। মতম অদুদা হায়রিবা চরৈ ফি অদুবু নিংথৌনা হেক উরুবমক্তদা সনা পূক্লিংনা খোয়দাজনা পামজখিদুনা খোইস্নামগী ইবুধৌদা চরৈ ফি অদো পাল্লে  হায়বগী সনা য়াথং ফোঙলমখি। মরম অসিদগী ইবুধৌ শাফবনা মাগী মনাইনুবী ইবেন খম্বীদা ফি অদুবু হান্নগী মশক অদুগুম্না ময়েক লোন্দুনা শাহন্দুনা নিংথৌদা কচ্চখি। মতৌ অসুম্না হায়রিবা মতম অসিদগী হৌদুনা লৈবাক নিংথৌনা মশক খঙলবা ফি মখল অমা হায়বদু ওইরকখি।

হায়রিবা মতম অসিদা খোইস্নাম শাগৈ অসি উরিপোক খোইস্নাম লৈকায়দা লৈরমখি। অসুম্না মতম খরগী মতুংদা অমুক হায়রিবা ইবুধৌ শাফবা অসিগী মজ ইবুংঙো খোইস্নাম কৈরুংবগী মতমদা খ্বাইরম্বন্দদা চেক্কী থোং অমা শাবগী মতাংদা খোইস্নাম অমা য়াওদ্রবদি য়াররোই হায়দুনা সনা য়াথং তাওথরকপদগী খোইস্নাম মখৈ কিদুনা লোইনা চেন্নখিরম্মী। হায়রিবা মতম অদুদা খোইস্নাম শাগৈগী ওইনা ইবুধৌ তোম্বা কৌবা অমখক্তমক লৈহৌরবদা নিংথৌনা ইবুধৌ তোম্ববু ফাদুনা থোং শাবদা চেক্তুম অমখক মহাক্লা হাপহল্লমখি, অদুদগীদি ইবুধৌ অসিবু কৈরুংবা ফমথোন পীবিদুনা উরিপোক্তা য়াম্না নুংঙাইনা লৈরকখি। হায়রিবা খোইস্নামগী ইবুধৌ তোম্বনা মোইরাংময়ূমগী নিঙোল থরাকহন হায়নসু খঙনরিবা ইবেন থরাক লৈমগা পান্নদুনা মচা নিঙোল তোম্বীমচা পোকখি। অদুদগী অমুক ইবোক তোম্বীমচানা ইপু সৌবাম রাঘবকা পান্নদুনা মচা নিঙোল নিপাল পোক্লমখি। মচা নিঙোল য়াইমা সৌবাম চাউবা কৌই, অবোক চাউবনা অমুক ফমদোমদা ইপু কহ্নাইগা পান্নদুনা ঐগী ইমা ফমদোম নিঙোল মাইস্নাম ওংবী কৈনাহল পোকখি। মতৌ অসুম্না ইমাদগী ঐঙোন্দা অমুক শমথরক্তুনা ঙসিদি ঐহাক্লা অমুক ৱাংখৈ য়োংলান লৈরক্তা লৈজদুনা শিনফম অসিবু মুৎখিদনবা ঙসি ফাওবদা হোৎনজদুনা লাক্লি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯১

১) **"পূন্সি চেঙজেল লোইদুনা লাকপদা**
**কৌবীয়ু নঙনা তরাম তরাম্।।**
**নঙনা শেম্বীবা তাইবঙ ফম্পাক্তা**
**নঙনা তম্বীবা লীলা য়াওরুরে...।।"**

মথক্কী ঈশৈগী অহৌবা পরেং অসি ঈশৈগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। শৈরেংবসি কনানো অমসুং লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু।

২) **"নিমাইগী ঈশৈদো"** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? কনানা ইবনো?

৩) **"ডা. রামকুমার বর্মাগী একাঙ্কী খরা"** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৪) **"থিয়েটর অমদি সাহিত্যগী ৱারেং খরা"** (২০০৬) হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং করি কৌবগে?

৫) **"অঙাওবীদো ঐগী ইমানি"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।